# ইটালি অমসুং বেলজিয়মনা অরোইবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*বেলজিয়মগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা লুকাকুনা বোল কাওখিবা*

সরায়েবো, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা এদিসনগী ওইনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ এ (১)গী মেটচ অমদা ইটালিনা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোবিনাবু মায়থীবা পীখিবা অমসুং গ্রুপ এ (২)দা বেলজিয়মনা দেনমার্কপু থোইখিদুনা মায় পাকপা ঙমখিবা টিম অনীমক টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোবিনানা য়ূম্বু ওইরগা ইটালিগা শান্নখিবা গ্রুপ এ (১)গী অরোইবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিনা ২-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী ২২শুবা মিনটতা ইটালিগী লোরেঞ্জো ইন্সিকনেনা পীরকপা বোল অমদা এন্দ্রি বেলোটিনা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা মখা তানা ইটালিগী মায়কৈদগী মেন্যুএল লোকাটেলিনা পাস তৌরকপা বোল অদুদা দোমেনিকো বেরারদিনা পাঞ্জল অমগা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা চল্লগা মায় পাকখি।

গ্রুপ অদুদা নেদরলেন্দসনা পোলেন্দগা লম্বা তৌনবা মেটচতা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকপা ঙমখি। মেটচকী ৬শুবা মিনটতা পোলেন্দগী জোজ ৱিয়াকনা অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফকী লোইশিল্লমদাইদা দেপেনা পেনাল্টি অমদা চনখিবা পাঞ্জল অমসুং ৱিনাল্ডমনা অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিল্লগা ২-১দা থোইরবসু টিম অদুগী সেমীফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈখিদে।

গ্রুপ এ (২)গী তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা ঙরাং অথেংবদা দেনমার্কনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা মখোয়বু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি।

পনবা য়াবদি, মঙাশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা বেলজিয়ম পোইন্ট ১২ ফংখি। অদুগা দেনমার্কনা পোইন্ট ১০ ফংখিবনি। মেটচ অদুদা দেনমার্কনা থোইরবদি মখোয় সেমীফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা লৈরম্বনি। অদুবু মেটচ অদু বেলজিয়মনা খূদুম চনবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ৪-২দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

বেলজিয়মগী মায়কৈদগী তিলমান্সনা ৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। টিম অদুগী লুকাকুনা ৫৬ অমসুং ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। লোইশিল্লকপদা দি ব্রুননা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগসু হাপচিনখি। নাকল অমরোমদা দেনমার্ককী ৱিননা ১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখিবা অদুগা বেলজিয়মগী সাদলি ৮৬শুবা মিনটতা শোয়বদগী কাওশিনখিবা বোলনা দেনমার্ককী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। মায় পাকখিবা বেলজিয়মনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা আইসলেন্দবু ৪-০দা থোইবা ঙমখি।

# রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব সেমীফাইনেল চঙখ্রে, জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব সেমীফাইনেলগী তাঞ্জা ফংলি



*রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব*



*জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব*

লন্দন, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙ-থোক্লিবা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়-শিংগী ওইবা সিজন লোইশিল্লকপগী এ টি পি ফাইনেলসকী শান্নরোয় নিপানগী লম্বাদা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবসু সেমীফাইনেল য়ৌবগী তাঞ্জা লৈরি।

এ টি পি ফাইনেলসকী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা মহাক্কী গ্রুপকী ওইবা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাকপা ঙমখিবনি। মহাক্না গ্রুপ অদুগী অহানবা মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জেকোবিচপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীখিবনি। মদুগী মতুং মহাক্না জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবা অলেকজেন্দর জ্বেরেবপুসু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-৪দা থোইরগা গ্রুপ অদুগী সেমীফাইনেল য়ৌবা অহানবা শান্নরোয় ওইখি।

মেদবেদেবকী মখূৎতা মায়থীখিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী অনীশুবা মেটচতা অর্জেন্টিনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী নিপানশুবা সিদেদ ওইরিবা দিএগো স্বর্মেনবু সেট ২-১দা ৬-৩, ৪-৬, ৬-৩দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী অরোইবা মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ নোভাক জোকোবিচকা শান্নগদৌরিবা অদুদা মায় পাক্লবদি সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা গ্রুপতা মাংজৌননা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি। মহাক্না শান্নখিবা অহানবা মেটচ অনীদা ৱর্ল্ড নম্বর টু স্পেনগী রফেল নদালবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ৬তা লৈরিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাসপু সেট ২-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অদুবু ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অহুমশুবা মেটচতা দোমিনিক থিয়মবু রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ৬-২, ৭-৫দা থোইখি। মেটচ অদু মায়থীরবসু দোমিনিক থিয়মগী ওইনদি সেমীফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদুদা অয়েৎপা লৈখিদে।

গ্রুপ অসিদা ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমগদবা শান্নরোয় অদু মশক খঙদোকপা ঙম্লনবা ৱর্ল্ড নম্বর টু স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাস লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, রাফেল নদাল মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায়থীরগা অমা মায়পাক্লি। মদুগা চপ মান্ননা ষ্টিফানোস সীসীপাসসু মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাকপা ঙম্লগা অমা মায়থীবা নংখি। গ্রুপ অসিদগী দোমিনিক থিয়মনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মতুং নদাল অমসুং সীসীপাসকী অথোইবা অদুনা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকা এ টি পি ফাইনেলস অসিগী সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# আই এস এল ২০২০-২১দা কেরলা ব্লাষ্টরস অমসুং এ টি কে মোহন বগানননা ঙসি অহানবা মেটচ শান্নরগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২০২০-২১ সিজনগী অহানবা মেটচ অদু হয়েং কেরলা ব্লাষ্টরস অমসুং এ টি কে মোহন বগানননা গোৱাগী বম্বোলিম ষ্টেদিয়মদা অহানবা মেটচ অদু শান্নরগনি।

পূন্না টিম ১১না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনগদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অপূনবা মেটচ মশীং অদু ১১৫ ওইগদৌরি। মসিদা নৌনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল শরুক য়াবা ঙম্লিবনি। অদুগা মমাংদা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা এ টি কে (এটলেটিকো দি কোলকাটা)না হান্না আইলীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা মোহন বগানগা অপূনবা টিম অমা ওইদুনা শান্নগদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া খক্তা নৎতনা অতোপ্পা মালেমগী লৈবাক কয়াদা শান্নবগী ইভেন্ট কয়া অমা থিংদুনা লাকখিবা অদু ভাবোক য়াওদনা শান্নরোয় খক্তা অমদি ওফিসলশিংগী ওইবা মেটচ কয়া পাঙথোক্লবা হৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াদসু আই এস এল হয়েংদগী শান্নগদৌরিবনি।

ভাবোক য়াওদবা মরম্না আই এস এলগী মেটচ খূদিংমক ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা টেলিভিজন চেন্নেলশিংদা উৎপদা নৎতনা অতোপ্পা মালেমগী টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টিং কম্পেনিশিংনসু টুর্নামেন্ট অসি লাইভ কভরেজ পীননবা শেম শাবা লোইখ্রবনি।

| DATE & DAY | MATCH | TIME (IST) | VENUE |
|---|---|---|---|
| 20 November, Friday | Kerala Blasters vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 21 November, Saturday | NorthEast United FC vs Mumbai City FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 22 November, Sunday | FC Goa vs Bengaluru FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 23 November, Monday | Odisha FC vs Hyderabad FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 24 November, Tuesday | Jamshedpur FC vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 25 November, Wednesday | FC Goa vs Mumbai City FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 26 November, Thursday | Kerala Blasters vs NorthEast United FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 27 November, Friday | SC East Bengal vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 28 November, Saturday | Bengaluru FC vs Hyderabad FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 29 November, Sunday | Jamshedpur FC vs Odisha FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 29 November, Sunday | Chennaiyin FC vs Kerala Blasters FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 30 November, Monday | FC Goa vs NorthEast United FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 1 December, Tuesday | Mumbai City FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 2 December, Wednesday | Hyderabad FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 3 December, Thursday | ATK-Mohun Bagan vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 4 December, Friday | Chennaiyin FC vs Bengaluru FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 5 December, Saturday | NorthEast United FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 6 December, Sunday | Mumbai City FC vs Odisha FC | 5:00 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 6 December, Sunday | FC Goa vs Kerala Blasters | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 7 December, Monday | Jamshedpur FC vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 8 December, Tuesday | Bengaluru FC vs NorthEast United FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 9 December, Wednesday | Mumbai City FC vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 10 December, Thursday | SC East Bengal vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 11 December, Friday | ATK-Mohun Bagan vs Hyderabad FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 12 December, Saturday | Odisha FC vs FC Goa | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 13 December, Sunday | NorthEast United FC vs Chennaiyin FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 13 December, Sunday | Bengaluru FC vs Kerala Blasters FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 14 December, Monday | Mumbai City FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 15 December, Tuesday | Hyderabad FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 16 December, Wednesday | ATK-Mohun Bagan vs FC Goa | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 17 December, Thursday | Odisha FC vs Bengaluru FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 18 December, Friday | NorthEast United FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 19 December, Saturday | FC Goa vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 20 December, Sunday | Hyderabad FC vs Mumbai City FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 20 December, Sunday | Kerala Blasters vs SC East Bengal | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 21 December, Monday | ATK Mohun Bagan vs Bengaluru FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 22 December, Tuesday | Odisha FC vs NorthEast United FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 23 December, Wednesday | Jamshedpur FC vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 26 December, Saturday | SC East Bengal vs Chennaiyin FC | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 27 December, Sunday | Kerala Blasters vs Hyderabad FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 28 December, Monday | Bengaluru FC vs Jamshedpur FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 29 December, Tuesday | Chennaiyin FC vs ATK Mohun Bagan | 7,30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 30 December, Wednesday | Hyderabad FC vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 2 January, Saturday | Mumbai City FC vs Kerala Blasters FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 3 January, Sunday | SC East Bengal vs Odisha FC | 5.00 PM | Tilak Maidan |
| 3 January, Sunday | ATK Mohun Bagan vs Northeast United FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 4 January, Monday | Chennaiyin FC vs Hyderabad FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 5 January, Tuesday | Bengaluru FC vs Mumbai City FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 6 January, Wednesday | SC East Bengal vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 7 January, Thursday | Kerala Blasters FC vs Odisha FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 8 January, Friday | Northeast United FC vs Hyderabad FC | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 9 January, Saturday | Bengaluru FC vs SC East Bengal | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 10 January, Sunday | Chennaiyin FC vs Odisha FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 10 January, Sunday | Jamshedpur FC vs Kerala Blasters FC | 5.00 PM | Tilak Maidan |
| 11 January, Monday | ATK Mohun Bagan vs Mumbai City FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |

# ওর্লান্দো চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ওর্লান্দো, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
য়ু এস এগী ওর্লান্দো সিটিদা থা অসিগী ১৬তগী শান্নবা হৌখিবা ওর্লান্দো ওপন এ টি পি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা হন্দক্তা য়ু এস এগী অতোপ্পা সিটি ফ্লোরিদাদা পাঙথোকখিবা কেরি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রবা গুনেশ্বরননা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় টি আই ৱুগা লম্বা তৌনবদা সেট ২ মান্নরবা মতুং অহুমশুবা দিসাইদিং সেটতা গেম ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় অদু মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা লৈখিবা মরম্না গুনেশ্বরন টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



*ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান টেন্নিস সিঙ্গলস শান্নরোয় গুনেশ্বরন*

নীংশিংবা য়াই, গুনেশ্বরননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় এস দোম্বিয়াবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীরম্বনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রাম কুমার রামানাথন অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। গুনেশ্বরননা ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী শান্নরোয় দিমিট্রি পোপকোগা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লম্বা তৌনরগনি।

# ইংলিশ ফুটবোল লীগনা সবষ্টিট্যুসন মঙাগী অয়াবা নৌনা হৌদোকখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
ইংলিশ ফুটবোল লীগনা লৈবাক অদুদা শান্নবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মেটচশিংদা টিম অমগী মায়কৈদগী মমাংদা লৈরম্বা সবষ্টিট্যুসনগী মশীং অদু হেনগৎলগা মঙাদা নৌনা অয়াবা পীখ্রে।

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফাগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খূদিংমক লেপ্পুরবা মতুং নৌনা অকক্লবা মফম খরদা শান্নরকপা অসিগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা প্রেসর পীদনবা মেটচ অমদা শান্নরোয় মঙা সবষ্টিট্যুসন তৌবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুং ইকোন কোন্না ইংলিশ ফুটবোল লীগনা হায়রিবা শান্নরোয় শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী কাঙলোন অসি হয়েংদগী শান্নগদবা লৈবাক অদুগী লীগশিংদা চৎনবা য়াহল্লগনি।

মমাংদা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা মেটচ অমদা শান্নরোয় অহুম খক্তমক সবষ্টিট্যুট ওইনা শান্নবা য়াখিবনি। অদুবু ফিফাগী অনৌবা কাঙলোন অদু অতোপ্পা মফমদা মাংজৌননা চৎনবা লৈখ্রবা মতুং ইংলেন্দদা নৌহৌননা হয়েংদগী মেটচ অমদা শান্নরোয় মঙা শিনবা য়াবগী কাঙলোন লৈগদৌরি।

# শিন্তাকপুরেল আর কে সনাহলগী ১২০শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস):
হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা শিন্তাকপুরেল আর কে সনাহলগী ১২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা কালা ভুষন এৱার্দী (থাঙ-তা) অমসুং ৱাবগাইদা লৈবা খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমিগী শিন্তাকপুরেল য়ুম্নাম অমুমচা, হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি। অদুগা কৈরাওদা লৈবা পাথৌ থাঙ-তা পর্ফোর্মিং য়ুনিট সেন্টরগী শিন্তাকপা অমদি ষ্টেট এৱার্দীসু ওইরিবা পুথেম মঙ্গি লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম প্রিয়োকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

শিন্তাকপুরেল আর কে সনাহলগী ১২০শুবা মপোক কুমওন অদুদা তোঙান-তোঙানবা মণিপুরগী থাঙ-তা ইন্সটিট্যুসনশিংগী শিন্তাকপশিং অমদি শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াখি হায়না ঙসিগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অদুনা মখা তাখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ)গী এগজেক্যুটিভ মেম্বর ওইরম্বা এল ফুনিলনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ঙসি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৪দগীনা ২০১৮ ফাওবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এগজেক্যুটিভ মেম্বর ওইনা থৌ পুরম্বা এল ফুনিলনা থা অসিগী ১৬তা লৈখিদবা অদুগী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদু ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা ইমর্জেন্সি মীটিং অমা কৌরগা পাঙথোকখি।

ইমর্জেন্সি মীটিং অদুদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. জি এ ইবোপিশকনা চ্যের লৌখি। মীফম অদুদা তিনখিবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মরুওইবা ওফিসরশিং অমদি মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা এল ফুলিনবু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা তিনখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবসু থৌনীখি। মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না প্রেসতা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল সুনিল এলাংবমনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মেটর্নিটি রাইট ঙাক্লনবা ফিফানা অনৌবা কাঙলোনশিং শেমখ্রে

জেনেভা, নবেম্বর ১৯(এজেন্সী):
মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা এফ আই এফ এ (ফেদরেসন দি ইন্টরনেসনল ফুটবোল এসোসিএসন) মীয়াম্না শম্না ফিফা হায়না খঙনরিবা অসিগী মখাদা লৈরিবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা মেটর্নিটি (মচা উনবা)গী রাইটশিং অদু ঙাক্লনবা অনৌবা কাঙলোন শেমখ্রে।

ফিফাগী অনৌবা কাঙলোন অসিনা ফুটবোল শান্নবা নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারিবা ক্লবশিং অদুগী মায়কৈদগী য়ামদ্রবদা শান্নরোয়শিং অদুনা মেটর্নিটিগী তাঞ্জা লাকপা মতমদা চয়োল১৪গী ওইবা লিভ পীগদবনি। লোয়ননা লিভতা লৈরিবা মতম অদুদা শান্নরোয় অদুবু মহাক্না ফংলম্বা সেলরি অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি পীগদবনি হায়রি।

মরক অসিদা, করিগুম্বা ফিফাগী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী নেসনল ফুটবোল ফেদরেসনশিংনা পূকচেল চাওবগী খোঙথাং লৌখৎলবদি শরুক অহুম থোকপগী অনী ফংগদবা সেলরিগী শেনফম অদু হেনগৎপা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

ফিফাগী চীফ লিগেল ওফিসর ওইরিবা ইমিলিও গার্সিয়ানা কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল মশান্না অসিদা শরুক য়ারিবা নুপী শান্নরোয়শিংনা মখোয়না অঙাং উনবগী মতম, উনদ্রিঙৈ মতম অমসুং উনবা লোইরবা মতুংগী ওইবা মতমশিং অদুদা ফিফানা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা শান্নরোয়শিং অসিগী রাইট ঙাক্লা চৎকদবনি হায়খি।

পনবা য়াই, য়ু এস এগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা কুমজা ২০১৯দা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ারুৱবী এলেক্স মোর্গন মহাক্কী অহানবা মচা পোক্লবা মতুং থা ৪গী মতুংদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা শরুক য়াননবা খূৎয়েক পীখি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com